# ওফিসার অনি য়াওনা দ্রগ পুরম্বা কম্মান্দোশিং জেল য়ৌখ্রে পার্সোনেল ৬ না বেইল থারকপদা কোর্টনা রিজেক্ট তৌখ্রে

*থৌদাং পাউমীদগী*

***ইম্ফাল, মে ৬:*** হৌখিবা এপ্রিল ২৮, নোংমাইজিং নুমিৎতা কম্মান্দোগী সব-ইন্সপেক্টর অমা অমসুং কম্মান্দোদা এটেচ তৌদুনা লৈবা আই আর বিগী জম্মান্দার অমনা লুচিংদুনা বোর্দর টাউন মোরেদা সাইকোট্রোপিক দ্রগ পুশিল্লম্বদগী ফারবা কম্মান্দো পার্সোনেল ১১ ঙসি লম্ফেল পাৎতা লৈবা এন দি পি এস (স্পিসিয়েল) কোর্টনা নুমিৎ ১৫নিগী জুদিসিয়েল কষ্টদি পীখ্রে। অদুগা কম্মান্দো তরুক্কী বেইলগী প্রেয়ারদি কোর্টনা য়াখিদ্রে।

মালেমগী কৈথেলদা য়ামদ্রবদা লুপা ৩, ৬৪,০২,২০০ রোমগী ভেল্যু ওইগদবা দ্রগকা কোন্ননা ফাবদগী জষ্টিস রোনাল কৈশিংনা জুদিসিয়েল কষ্টদি পীখ্রবা কম্মান্দোশিং অদুদি ইম্ফাল ইষ্ট কম্মান্দোদগী মোরেদা পোষ্টিং তারিবা সব-ইন্সপেক্টর বৈষময়ুম দেবসন অপোকপা দেবেন শিংজমৈ ভৈগ্যপতি লৈকাই, কন্সটেবল থাংলেনমাং তৌথাং অপোকপা লৈখিদ্রবা জামখোথাম পল্লেল ঐচ-কোটলেনফাই ভিলেজ, কন্সটেবল মাইবম হেনীক অপোকপা নোংথোন, নহারুপ ময়াই লৈকাই, কন্সটেবল প্রেমজিৎ অপোকপা খোমৈ চীংমৈরোং মনিং লৈকাই, কন্সটেল নিংথৌজম সুরকুমার অপোকপা গোপাল খোংমন ময়াই লৈকাই, ৭ শুবা বট্টালিয়ন মণিপুর রাইফলসকী সোরাম রনবীর অপোকপা মুহিন্দ্রো বামোন লৈকাই মঙ্গে মখোং, অহানবা বট্টালিয়ন ইন্দিয়ান রিজার্ভ বট্টালিয়ন (আই আর বি ) দগী কম্মান্দোদা লৈবা মৈস্নাম প্রেমানন্দ অপোকপা রুপমোহল ইরম সিফাই মমাং লৈকাই, দ্রাইভর ওইবা রাইফলমেন নিংথৌজম নীল্লমনি অপোকপা বসন্ত ফয়েং, কন্সটেবল নোংমাইথেম প্রিয়োকুমার অপোকপা শরত, ককচিং চুম্নাং লৈকাই, রাইফলমেন সোরেনশংবম ওপেন্দ্রজিৎ অপোকপা তোম্বা কিয়াম সিফাই অমুবিজম লৈকাই অমদি কন্সটেবল থোকচোম বিজেন্দ্রো অপোকপা জুগেশ্বর সলুংফম ময়াই লৈকাই কাংয়াম্বমনি।

ওফিসার অনি য়াওনা কম্মান্দো পার্সোনেল ১১ অসিগী মনুংদা কন্সটেবল থাংলেনমাং তৌথাং, কন্সটেবল মাইবম হেনীক, কন্সটেবল ঙাঙোম প্রেমজিৎ, কন্সটেবল নিংথৌজম সুরকুমার, রাইফলমেন সোরাম রনবীর অমদি কন্সটেবল নোংমাইথেম প্রিয়োকুমারনচিংবা পার্সোনেল ৬ না মখোয়দি থৌদোক অসি খঙদে। মখোয়দি কম্মান্দরগী মখাদা চৎপনি হায়না বেইল পীবিনবা কোর্টতা প্রেয়ার তৌরকখি। অদুবু হায়রিবা পার্সোনেলশিং অসিনা মমাংদা কোর্টতা পীখৎখিবা ষ্টেটমেন্টতা মসিগুম্বা করবারসি মমাংদা অনি অহুমলক তৌখ্রে হায়বদগী বেল পীবিনবা হায়জরকখিবদু কোর্টনা ককথৎখিবনি।

পনবা য়াবদি ওফিসার অনিনা লুচিংদুনা য়াল্লবা দ্রগশিং পুরম্বগীদমক ফাখিবা অদুগা মরী লৈননা ককচিং পুলিস ষ্টেসন্না নার্কোটিক দ্রগস এন্দ সাইকোট্রোপিক সবষ্টেন্স এক্টকী সেক্সন ২১/২৭ অমসুং ২৭ আর্মদ এক্টকী মখাদা কেস অমদা লৌখৎখিবনি।

কেস অসিগী এফ আই আর নম্বর ৬২ (৪) ২০১৩ গী মখাদা ওফিসার অনি য়াওনা কম্মান্দো পার্সোনেল ১১ অসি এপ্রিল ২৯ দা চিফ জুদিসিয়েল মজিষ্ট্রেট, থৌবালগী কোর্টতা পুথোক্তুনা নুমিৎ ৮নি, মে ৬ ফাওবা পুলিস কষ্টদি রিমান্দ লৌথদুনা ৱাহং পাউহং চথরকখিবনি।

মখোয়দগী য়াল্লবা দ্রগশিং ফাগৎখিবা লোয়ননা মখোয় মশা মশাদা ইসু তৌবা নাইন এমএমগী পিষ্টোল অহুম অমসুং একে সেরিয়সকী রাইফল তরেৎ, মসিগা লোয়নবা মেগজিন ৩০ অমসুং য়াল্লবা নোংমৈ মরুশিংসু পুলিসকী সিজর মেমো অদুদা য়াওখি।